ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯴, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মার্চ ১৪, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৪২শুবা মশীং

ৱা কাইরদি ঈশিং চঙবনি

নখোয়সু ৱাখল তামন্দে

‘নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম’ (এন এস সী এন) হায়বা মমিংসি/ৱাহৈসি কোন্না থৈদরক্তুনা হোংদোরকপনি। হান্না হৌদোরকপদা ‘নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ’ হায়রম্মী। কোন্নথংদা নাগা ফূরুপ্পা কোনশিনবা ফূরুপশিংগীনি হায়রক্তুনা ‘নাগালেন্দ’ হায়রম্বদগী ‘নাগালিম’ হায়রকপনি। মরম অসিনা লালহৌলূপ অসি নাগালেন্দগী লালহৌলূপনি হায়বদা করিদা লানখিগদগে? মতম খরা লৈরগা ইশাক মুইভানা লুচিংবা খূৎপু অমগা খপ্লাংনা লুচিংবা কাঙবু অমগা অনী থোরকখিবনি। হৌজিক্লা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরক্নবা সিজ ফায়র তৌনরিবনি, ৱারী শানরিবনি হায়দুনা কুম পুদুনা লাকপদগী এন এস সী এনগী ফেক্সন মশীং থিঙমদনা থোরকপগী ৱানি। মসিনা নাগালেন্দগী লালহৌলূপসিগী অমসুং মখোয় মশেলগী ওইবা ৱানি। মসি নত্তবদা এন এস সী এন -আই এমগী খূৎপুসিনা নাগালেন্দগা য়ূমথংনরক্লিবা মণিপুরবু হেক হেক পকশিল্লগা ঙাঙথোক-শক্তোরকপদা ‘নাগাগী লম’ ‘নাগাগী এরিয়া’ গা হায়বা ৱাহৈশিং হৌজিক ফাওবা মখোয়গী চিন্দোন-লৈতোনদা পক্তুনা লৈরিবা করিগীনো? মখোয়সিবু করম্বা মতমদা ৱাখল তারক্তুনা অমত্তা ওইবগী পূক্নিং-ৱাখল চেনবা ঙম্লক্কদগে? মথম্মোয়শিং চাওথোরকপা ঙম্লরোইদবা জাৎলা? মণিপুরদা নাগাগী লম নৎত্রগা নাগাগী এরিয়া হায়রিবসি কদাইদা লৈগে? ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ওফিসল ওইনা য়াৎথোক্তুনা পীখিবা লৈব্রা? নাগা ফূরুপ্পা কোনশিনবা মীওইশিং লৈবা, নম্মা খুন্দাবা মফমশিংবু নাগাগী লম/এরিয়া হায়বগী ৱারা? মসি ওইরগদি মণিপুরদি ফূরুপ কয়ানা পূন্না লৈমিন্নরক্লিবা ষ্টেটনিনা অতোপ্পা কাঙলূপশিংগীসু মখোয়গী লম/এরিয়া হায়নরক্লোইদ্রা? মদু ওইরগনা মণিপুর মওং কয়া থোক্লা খাইদোক্কদগে? মণিপুরগা শাগোন্নরক্লিবা পুমশেং শেংলবা য়েলহৌ ফূরুপ অমা ওইরিবা মীতৈনা অসুক কুইবসিদা মণিপুরসি মীতৈ খক্তগীনি নৎত্রগা মফম খরবু মীতৈগী লম/এরিয়ানি হায়না ক্লেম তৌবা য়াওখ্রবগে? কৈনোম তৌবগা, করিগুম্বা অমা থোরকপগা নাগাগী লম, কুকিগী লম, হোমলেন্দ, নাগালিম, জালেনঙম কায়না পংঙাঙদা ঙাঙই, পংশক্তা শকই। নখোয়না লমগী মতাংদা নপাম হরাওবিরিবা করিগীনো?

চীংদা মান্দা, উরক-নারক্তা, শুরুংদা না লাউনা লৈরিঙৈগী পূক্নিং ৱাখলদু হৌজিক ফাওবা হোংদোকচবা ঙমদবসিদি ইচিল-ইনাওনিগা হায়নিংলক্তে। মণিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লিবা ফূরুপশিংগী মনুংদবু মীতৈগা মচিল-মনাও ওইরক্তবা, চারৌ-মৌরৌনদুনা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরক্তবা করম্বা ফূরুপ লৈবগে? ফূরুপ খরদং পল্লবদা কবুই, তাঙ্খুল, মরিং, মোয়োন, লমকাং, রোংমৈ, লিয়াংমৈনচিংবশিং লৈরিবনি। ফূরুপশিংসিগা অচেৎপা মরী লৈনরক্লিবনি। থবক থৌরম কয়াদা পূন্না শরুক য়ামিন্নরক্লিবনি। কুকিসু অদুঙাই য়েলহৌমী ওইরিবা খোংজাইনচিংবশিংগা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরক্লিবনি। কাইনথংদা ঙরাং-নহান্তা নারোলদা চঙশিল্লকখিবশিংদুদি হলহনসি হায়বগী ৱানি। নাগা নৎত্রগা কুকি পূন্নমক মীতোপনি, চৎখ্রো হায়বা য়াওখিদ্রিনা!! হরাও-হরাও অমত্তা ওইনা নুংশি চান্নবা অদুম্মক লৈমিন্নবদা নখোয়দৌ শিক্লিবা করিগীনো? মণিপুরবু নশাগী নরমদমনি অদুগা লৈমিন্নরিবশিংনা নচিল-ননাওনি খনবা ঙমজদ্রগদি চৎনীংবা মফমদা চৎচখিবদা অথিংবা অমত্তা পীরোই হায়রক্কনিকো। হৌজিক তোঙানবা লৈঙাক তাল্লিবনেনা ফূরুপ অমনা কোনশিনবা কাঙলূপ মচা খুজোক অমনা মকন্থিনা মরল ফোইদৎপগী ফীভমদা তৌরকপদগী করি শারে? থোরক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক ময়ামসি উদব্রা? তোখায় অমসুং নাইতোম তাবগী অপীকপা ৱাখল থাদোকউ। নশানা য়ানীংদবা মীশিং য়ামজদবা কাঙলূপশিংবু নমদুনা নাগাগী ছাতিননা কোনশিল্লগা কুপশিন্নবা হোৎনরুনু। নাগালেন্দগী এন এস সী এন-আই এমনা নাগা মীয়ামগীদমক লেপ্পদো অদুম লেপচসনু। মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইমিন্নরক্লিবা তাঙ্খুল অমসুং অতৈ ফূরুপশিংদি মশাগী আইদেন্টিটি ময়েক শেংনা ঙাক্তুনা লৈনবা হোৎনগদবনি। এন এস সী এন-আই এমনা গ্রেটর নাগালেন্দ (নাগালিম) অমগীদমক মঙজরকখিবা মঙলান করম থোক্লগদগে খঙদ্রিঙৈদা নাগালেন্দগী দিষ্ট্রিক্ট ৬ পূনশিল্লগা তোঙানবা টেরিটরি অমা শেম্বদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অয়াবা পীথোরক্লিবসিসু মুন্না য়েংঙু। তোঙান তাবা অমসুং নাইতোমগী ৱাখল তুংওইনরগা ইচিল-ইনাও ওইরকপগী হৌনবা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবনা চুমগনি। তোঙানবা লম য়াম্না পাম্বা ওইরগনা ‘নাগা’ হায়বা ৱাহৈসিনা কোনশিনবা/কুপশিনবা নখোয় খক্তং লৈহৌরগেরা? অতোপ্পা ফূরুপ পূন্নমক মীরমদা লোইনা লাঞ্জেন্নহনখ্রগা? ৱাকাই ঙাঙগনু। ৱা কাইরদি ঈশিং চঙবনি।

ꯋꯥ ꯀꯥꯏꯔꯗꯤ ꯏꯁꯤꯡ ꯆꯪꯕꯅꯤ

ꯅꯈꯣꯌꯁꯨ ꯋꯥꯈꯜ ꯇꯥꯃꯟꯗꯦ

'ꯅꯦꯁꯅꯜ ꯁꯣꯁꯂꯤꯁ꯭ꯠ ꯀꯥꯎꯟꯁꯤꯜ ꯑꯣꯐ ꯅꯥꯒꯥꯂꯤꯝ' (ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯑꯦꯟ) ꯍꯥꯌꯕ ꯃꯃꯤꯡꯁꯤ/ꯋꯥꯍꯩꯁꯤ ꯀꯣꯟꯅꯥ ꯊꯩꯗꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯍꯣꯡꯗꯣꯔꯛꯄꯅꯤ꯫ ꯍꯟꯅꯥ ꯍꯧꯗꯣꯔꯛꯄꯗꯥ 'ꯅꯦꯁꯅꯜ ꯁꯣꯁꯂꯤꯁ꯭ꯠ ꯀꯥꯎꯟꯁꯤꯜ ꯑꯣꯐ ꯅꯥꯒꯥꯂꯦꯟꯗ' ꯍꯥꯌꯔꯝꯃꯤ꯫ ꯀꯣꯟꯅꯊꯡꯗꯥ ꯅꯥꯒꯥ ꯐꯨꯔꯨꯞꯄꯥ ꯀꯣꯟꯁꯤꯅꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯡꯒꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯛꯇꯨꯅꯥ 'ꯅꯥꯒꯥꯂꯦꯟꯗ' ꯍꯥꯌꯔꯝꯕꯗꯒꯤ 'ꯅꯥꯒꯥꯂꯤꯝ' ꯍꯥꯌꯔꯛꯄꯅꯤ꯫ ꯃꯔꯝ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯍꯧꯂꯨꯞ ꯑꯁꯤ ꯅꯥꯒꯥꯂꯦꯟꯗꯒꯤ ꯂꯥꯜꯍꯧꯂꯨꯞꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯥ ꯀꯔꯤꯗꯥ ꯂꯥꯟꯈꯤꯒꯗꯒꯦ? ꯃꯇꯝ ꯈꯔꯥ ꯂꯩꯔꯒꯥ ꯏꯁꯥꯛ ꯃꯨꯏꯚꯥꯅꯥ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕ ꯈꯨꯠꯄꯨ ꯑꯃꯒꯥ ꯈꯄꯂꯥꯡꯅꯥ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕ ꯀꯥꯡꯕꯨ ꯑꯃꯒꯥ ꯑꯅꯤ ꯊꯣꯔꯛꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛꯂꯥ ꯅꯥꯒꯥ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯏꯁꯨꯒꯤ ꯋꯥꯔꯣꯏꯁꯤꯟ ꯄꯨꯔꯛꯅꯕ ꯁꯤꯖ ꯐꯥꯌꯔ ꯇꯧꯅꯔꯤꯕꯅꯤ, ꯋꯥꯔꯤ ꯁꯥꯟꯔꯤꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯀꯨꯝ ꯄꯨꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯄꯗꯒꯤ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯑꯦꯟꯒꯤ ꯐꯦꯛꯁꯟ ꯃꯁꯤꯡ ꯊꯤꯡꯃꯗꯅꯥ ꯊꯣꯔꯛꯄꯒꯤ ꯋꯥꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯅꯥ ꯅꯥꯒꯥꯂꯦꯟꯗꯒꯤ ꯂꯥꯜꯍꯧꯂꯨꯞꯁꯤꯒꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯈꯣꯌ ꯃꯁꯦꯜꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯋꯥꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯅꯠꯇꯕꯗꯥ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯑꯦꯟ-ꯑꯥꯏ ꯑꯦꯃꯒꯤ ꯈꯨꯠꯄꯨꯁꯤꯅꯥ ꯅꯥꯒꯥꯂꯦꯟꯗꯒꯥ ꯌꯨꯃꯊꯪꯅꯔꯛꯂꯤꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯕꯨ ꯍꯦꯛ ꯍꯦꯛ ꯄꯀꯁꯤꯟꯂꯒꯥ ꯉꯥꯡꯊꯣꯛ-ꯁꯛꯇꯣꯔꯛꯄꯗꯥ 'ꯅꯥꯒꯥꯒꯤ ꯂꯝ' 'ꯅꯥꯒꯥꯒꯤ ꯑꯦꯔꯤꯌꯥ' ꯒꯥ ꯍꯥꯌꯕ ꯋꯥꯍꯩꯁꯤꯡ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯆꯤꯟꯗꯣꯟ-ꯂꯩꯇꯣꯟꯗꯥ ꯄꯛꯇꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ? ꯃꯈꯣꯌꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯝꯕ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯋꯥꯈꯜ ꯇꯥꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ-ꯋꯥꯈꯜ ꯆꯦꯅꯕ ꯉꯝꯂꯛꯀꯗꯒꯦ? ꯃꯊꯝꯃꯣꯏꯁꯤꯡ ꯆꯥꯎꯊꯣꯔꯛꯄ ꯉꯝꯂꯔꯣꯏꯗꯕ ꯖꯥꯠꯂꯥ? ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯥ ꯅꯥꯒꯥꯒꯤ ꯂꯝ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯅꯥꯒꯥꯒꯤ ꯑꯦꯔꯤꯌꯥ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯁꯤ ꯀꯗꯥꯏꯗꯥ ꯂꯩꯒꯦ? ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯥ ꯑꯣꯐꯤꯁꯤꯑꯜ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯌꯥꯠꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯄꯤꯈꯤꯕ ꯂꯩꯕ꯭ꯔꯥ? ꯅꯥꯒꯥ ꯐꯨꯔꯨꯞꯄꯥ ꯀꯣꯟꯁꯤꯅꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ ꯂꯩꯕ, ꯅꯝꯃꯥ ꯈꯨꯟꯗꯥꯕ ꯃꯐꯃꯁꯤꯡꯕꯨ ꯅꯥꯒꯥꯒꯤ ꯂꯝ/ꯑꯦꯔꯤꯌꯥ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯔꯥ? ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯀꯌꯥꯅꯥ ꯄꯨꯟꯅꯥ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯤꯕ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯅꯤꯅꯥ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯀꯥꯡꯂꯨꯞꯁꯤꯡꯒꯤꯁꯨ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯂꯝ/ꯑꯦꯔꯤꯌꯥ ꯍꯥꯌꯅꯔꯛꯂꯣꯏꯗ꯭ꯔꯥ? ꯃꯗꯨ ꯑꯣꯏꯔꯒꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯃꯑꯣꯡ ꯀꯌꯥ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯈꯥꯏꯗꯣꯛꯀꯗꯒꯦ? ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯥ ꯁꯥꯒꯣꯟꯅꯔꯛꯂꯤꯕ ꯄꯨꯝꯁꯦꯡ ꯁꯦꯡꯂꯕ ꯌꯦꯜꯍꯧ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯃꯤꯇꯩꯅꯥ ꯑꯁꯨꯛ ꯀꯨꯏꯕꯁꯤꯗꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯈꯛꯇꯒꯤꯅꯤ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯃꯐꯝ ꯈꯔꯕꯨ ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯂꯝ/ꯑꯦꯔꯤꯌꯥꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯀ꯭ꯂꯦꯝ ꯇꯧꯕ ꯌꯥꯎꯈ꯭ꯔꯕꯒꯦ? ꯀꯩꯅꯣꯝ ꯇꯧꯕꯒꯥ, ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕ ꯑꯃꯥ ꯊꯣꯔꯛꯄꯒꯥ ꯅꯥꯒꯥꯒꯤ ꯂꯝ, ꯀꯨꯀꯤꯒꯤ ꯂꯝ, ꯍꯣꯝꯂꯦꯟꯗ, ꯅꯥꯒꯥꯂꯤꯝ, ꯖꯥꯂꯦꯟꯉꯝ ꯀꯥꯌꯅꯥ ꯄꯡꯉꯥꯡꯗꯥ ꯉꯥꯡꯏ, ꯄꯡꯁꯛꯇꯥ ꯁꯀꯏ꯫ ꯅꯈꯣꯌꯅꯥ ꯂꯃꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯥ ꯅꯄꯥꯝ ꯍꯔꯥꯎꯕꯤꯔꯤꯕ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ?

ꯆꯤꯡꯗꯥ ꯃꯥꯟꯗꯥ, ꯎꯔꯛ-ꯅꯥꯔꯛꯇꯥ, ꯁꯨꯔꯨꯡꯗꯥ ꯅꯥ ꯂꯥꯎꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤꯉꯩꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯋꯥꯈꯜꯗꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕ ꯉꯃꯗꯕꯁꯤꯗꯤ ꯏꯆꯤꯜ-ꯏꯅꯥꯎꯅꯤꯒꯥ ꯍꯥꯌꯅꯤꯡꯂꯛꯇꯦ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯥ ꯌꯦꯜꯍꯧꯉꯩꯗꯒꯤ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯤꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯕꯨ ꯃꯤꯇꯩꯒꯥ ꯃꯆꯤꯜ-ꯃꯅꯥꯎ ꯑꯣꯏꯔꯛꯇꯕ, ꯆꯥꯔꯧ-ꯃꯧꯔꯧꯅꯗꯨꯅꯥ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯛꯇꯕ ꯀꯔꯝꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯂꯩꯕꯒꯦ? ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯈꯔꯗꯪ ꯄꯜꯂꯕꯗꯥ ꯀꯕꯨꯏ, ꯇꯥꯡꯈꯨꯜ, ꯃꯔꯤꯡ, ꯃꯣꯌꯣꯟ, ꯂꯝꯀꯥꯡ, ꯔꯣꯡꯃꯩ, ꯂꯤꯌꯥꯡꯃꯩꯅꯆꯤꯡꯕꯁꯤꯡ ꯂꯩꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯡꯁꯤꯒꯥ ꯑꯆꯦꯠꯄ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯊꯕꯛ ꯊꯧꯔꯝ ꯀꯌꯥꯗꯥ ꯄꯨꯟꯅꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯃꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯀꯨꯀꯤꯁꯨ ꯑꯗꯨꯉꯥꯏ ꯌꯦꯜꯍꯧꯃꯤ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯈꯣꯡꯖꯥꯏꯅꯆꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯒꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯆꯥꯟꯅꯅꯥ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯀꯥꯏꯅꯊꯡꯗꯥ ꯉꯔꯥꯡ-ꯅꯍꯥꯟꯇꯥ ꯅꯥꯔꯣꯜꯗꯥ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯛꯈꯤꯕꯁꯤꯡꯗꯨꯗꯤ ꯍꯜꯍꯅꯁꯤ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯅꯤ꯫ ꯅꯥꯒꯥ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯀꯨꯀꯤ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛ ꯃꯤꯇꯣꯞꯅꯤ, ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯣ ꯍꯥꯌꯕ ꯌꯥꯎꯈꯤꯗ꯭ꯔꯤꯅꯥ!! ꯍꯔꯥꯎ-ꯍꯔꯥꯎ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯆꯥꯟꯅꯅꯥ ꯑꯗꯨꯝꯃꯛ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯕꯗꯥ ꯅꯈꯣꯌꯗꯧ ꯁꯤꯛꯂꯤꯕ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ? ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯕꯨ ꯅꯁꯥꯒꯤ ꯅꯔꯃꯗꯃꯅꯤ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯅꯆꯤꯜ-ꯅꯅꯥꯎꯅꯤ ꯈꯟꯕ ꯉꯃꯖꯗ꯭ꯔꯒꯗꯤ ꯆꯠꯅꯤꯡꯕ ꯃꯐꯃꯗꯥ ꯆꯠꯆꯈꯤꯕꯗꯥ ꯑꯊꯤꯡꯕ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯄꯤꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯔꯛꯀꯅꯤꯀꯣ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯇꯣꯉꯥꯟꯕ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯇꯥꯜꯂꯤꯕꯅꯦꯅꯥ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯃꯅꯥ ꯀꯣꯟꯁꯤꯅꯕ ꯀꯥꯡꯂꯨꯞ ꯃꯆꯥ ꯈꯨꯖꯣꯛ ꯑꯃꯅꯥ ꯃꯀꯟꯊꯤꯅꯥ ꯃꯔꯜ ꯐꯣꯏꯗꯠꯄꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯗꯥ ꯇꯧꯔꯛꯄꯗꯒꯤ ꯀꯔꯤ ꯁꯥꯔꯦ? ꯊꯣꯔꯛꯂꯤꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛ-ꯋꯥꯊꯣꯛ ꯃꯌꯥꯃꯁꯤ ꯎꯗꯕ꯭ꯔꯥ? ꯇꯣꯈꯥꯏ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯥꯏꯇꯣꯝ ꯇꯥꯕꯒꯤ ꯑꯄꯤꯛꯄ ꯋꯥꯈꯜ ꯊꯥꯗꯣꯛꯎ꯫ ꯅꯁꯥꯅꯥ ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯕ ꯃꯤꯁꯤꯡ ꯌꯥꯝꯖꯗꯕ ꯀꯥꯡꯂꯨꯞꯁꯤꯡꯕꯨ ꯅꯃꯗꯨꯅꯥ ꯅꯥꯒꯥꯒꯤ ꯆꯥꯇꯤꯟꯅꯥ ꯀꯣꯟꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯀꯨꯞꯁꯤꯟꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯔꯨꯅꯨ꯫ ꯅꯥꯒꯥꯂꯦꯟꯗꯒꯤ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯑꯦꯟ-ꯑꯥꯏ ꯑꯦꯃꯅꯥ ꯅꯥꯒꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤꯗꯃꯛ ꯂꯦꯞꯄꯗꯣ ꯑꯗꯨꯝ ꯂꯦꯞꯆꯁꯅꯨ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯌꯦꯜꯍꯧꯃꯤ ꯑꯣꯏꯃꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯤꯕ ꯇꯥꯡꯈꯨꯜ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯇꯩ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯡꯗꯤ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯑꯥꯏꯗꯦꯟꯇꯤꯇꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯅꯥ ꯉꯥꯛꯇꯨꯅꯥ ꯂꯩꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ ꯑꯦꯟ-ꯑꯥꯏ ꯑꯦꯃꯅꯥ ꯒ꯭ꯔꯦꯇꯔ ꯅꯥꯒꯥꯂꯦꯟꯗ (ꯅꯥꯒꯥꯂꯤꯝ) ꯑꯃꯒꯤꯗꯃꯛ ꯃꯡꯖꯔꯛꯈꯤꯕ ꯃꯡꯂꯥꯟ ꯀꯔꯝ ꯊꯣꯛꯂꯒꯗꯒꯦ ꯈꯪꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯅꯥꯒꯥꯂꯦꯟꯗꯒꯤ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯠ ꯶ ꯄꯨꯅꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯇꯣꯉꯥꯟꯕ ꯇꯦꯔꯤꯇꯣꯔꯤ ꯑꯃꯥ ꯁꯦꯝꯕꯗꯥ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯥ ꯑꯌꯥꯕ ꯄꯤꯊꯣꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯁꯨ ꯃꯨꯟꯅꯥ ꯌꯦꯡꯉꯨ꯫ ꯇꯣꯉꯥꯟ ꯇꯥꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯥꯏꯇꯣꯃꯒꯤ ꯋꯥꯈꯜ ꯇꯨꯡꯑꯣꯏꯅꯔꯒꯥ ꯏꯆꯤꯜ-ꯏꯅꯥꯎ ꯑꯣꯏꯔꯛꯄꯒꯤ ꯍꯧꯅꯕ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯕꯅꯥ ꯆꯨꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯇꯣꯉꯥꯟꯕ ꯂꯝ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯄꯥꯝꯕ ꯑꯣꯏꯔꯒꯅꯥ 'ꯅꯥꯒꯥ' ꯍꯥꯌꯕ ꯋꯥꯍꯩꯁꯤꯅꯥ ꯀꯣꯟꯁꯤꯅꯕ/ꯀꯨꯞꯁꯤꯅꯕ ꯅꯈꯣꯌ ꯈꯛꯇꯪ ꯂꯩꯍꯧꯔꯒꯦꯔꯥ? ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛ ꯃꯤꯔꯃꯗꯥ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯂꯥꯟꯖꯦꯟꯅꯍꯟꯈ꯭ꯔꯒꯥ? ꯋꯥꯀꯥꯏ ꯉꯥꯡꯒꯅꯨ꯫ ꯋꯥ ꯀꯥꯏꯔꯗꯤ ꯏꯁꯤꯡ ꯆꯪꯕꯅꯤ꯫

নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১৬৫ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

লীলা পার্টি অমা হায়বসি নুপা শাবা, নুপী শাবা হায়বা অনী শুরিবনি। নুপী শাবী হায়বসি শুমাং লীলাদদি য়াম্না মরু ওই হায়বসি ঐ মমাঙদসু কয়ারক হায়জখ্রে। তশেংনা নুপী শাবী য়াওদ্রবা শুমাং লীলা লৈরোই। হৌজিকসু অদু মঙাই, নুপী শাবী ফৎত্রবদি লীলা নুংঙাইতে হায়বসি মীপূম খুদিংনা অদুম হায়নবনি। নুপী শাবী অফবা হায়বসিসু মতম খুদিংমক্তা হেক্তা মরাং কায়না থোকপা নত্তে। তরা লৈবদা মীয়াম্না হেন্না পাম্নবা, অখন্নবা হায়বসিদি মশীং অমা অনী খক্তনি। লোইনমক্লা হেক্তা ফরে হায়বা য়াবা নত্তে। অদুবু মশা মশানদি ঐসি ফরবনি হায়না খঙ্জবা, ইগো ৱাংবসু কয়া লৈতবা নত্তে। অদুনা করিগুম্বদা মরক শরক্তা লৈবা কয়া অমনা নাপল তৌরক্তুনা লীলা তোক্কনি, অদু তৌনি, অদা তৌনি হায়না মখল কয়াগী কিহনবা, ৱাহনবা কয়া অমসু থোক্লিবনি। মসি পূন্নমকশিং অসি করিনা পুনগদগে হায়রবদি, অপূনবগী ওইবা য়ানবা, চৎনরোল অমনা পুনগদবনি। করিগুম্বা মদুনসু য়ারক্তুবদি লুনা তিন্নশিনবসু মথৌ তাদবা য়াওদবা নত্তে। তিনবু তিন্নরবদি হূইগা হৌদোংগসু নুংশিনরকই হায়বা ৱাফম লৈবদুনা মরম ওইরগা লীলাদা দিষ্টর্ব তৌদনবা মখল কয়াগী পাম্বৈ থিদবসু য়াদবা নত্তে। মসিগী মথক্তা পার্টি পোলিটিক্স তৌদবা য়াদে। পোলিটিক্স তৌরে হায়বসিসু খঙহনবা য়াবা নত্তে। হেক খঙখিবদা ঈশিং পন থিংনবা হোৎনব্রা হায়ববু পন কায়দুনা পুম্মাং মাঙগদৌরিবনি। অদুনা লীলা তৌবা হায়বসি অরায়বা অমা নত্তে। লুখ্রবা থবক অমনি। পার্টিনবু কায়রবদা ইথন্তনা চোঙবা য়াদবনিনা অকা অকুম অদুম নাইবা তাবা। অকা অকুম নাইদনবগীদমক পার্টি কাঙলোন নীংথিনা শীজিন্নরগা য়াম্না অন্দরষ্টেন্দিং অমদা পূন্নমক লোয়নদবা য়াদে।

ঐমক্তি লীলা তৌজরিঙৈ মতমদা ওন্থোক ওন্থোকপা, অকি-অকিবা কয়া অমা থোকখ্রবনি। লীলা চৎপদা থেংনবা অৱা-নুংঙাই হায়বদুনা অমনি। পার্টি তাশিন-খোমজিনবদা থেংনবা অৱাবসিদি, মালেম পূম্বনা ইকোকথক্তা নম্থবগা চপ হেক মান্নে। মীয়াম্না পাম্নবা য়েংনবা লীলা অমা মৈ হৌখৈ চৎলিঙৈ মতমদা কৈসু নত্তবা অমগীদমক লীলা তোল্লগে হায়বা ৱাসি ইরায় হেক লায়না হায়রক্কদৌরিনি। মানা হেক তোকখিবদা লীলাদুগী নুংঙাইবগী চাং খংহন হন্থদুনা লীলা অদুগী মপূন্সি তেনগদৌরিবনি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা শাবা কোকসিদি হায়দোকপদা লোইবা নাইবা নত্তে। অঙকপা অৱাবনি। আর্টিষ্ট অদুনা য়ানীংদ্রিবা, তোক্লিংলিবদু করিগীনো হায়না থিদোকপগা লোয়ননা মহাকপু করম্না য়ানীংহনগদগে হায়বা অসি মুন্না খন্থদবা য়াদে। মীচং চঙবা মানা হেক তৌরুবদা অমনা অমুক হেক্তা নীংঙাই হৌরক্কদৌরিবনি। ৱারৌবীবদি য়াদে, আর্টিষ্ট হায়বসিমক্তবু ইমোসনেল য়াম্না ওইগল্লি। অদুনা ৱারৌ পুক্লৌনদনবা কন্না হোৎনবা হায়বসি মথৌ তাই। মসিনা লীলা চৎলিঙৈগী ৱানি। লীলা চৎলক্তুবা মতমদা লীলা তোক্কে হায়বসু কোকথোং অমা লৈরিবনি। মরমদি লীলাদু চৎত্রগদি শেল ফংদ্রে, শেলদু ফংদ্রগদি লীলা তোকনীংই, লীলা চৎপা অমদা য়াওনীংই। অদুদগীদি মখল কয়াগী মরৈ মরাং তৌবা হৌরক্লে। মসিদি নুপী শাবীখক্কী ৱা নত্তে। লোইনমক্তনি।

লীলা চৎপা চত্তবগী ৱা ঙাক নৎত্রসু রোল ফজবা পী পীদে হায়বগীসু মরৈ তৌবা য়াওরিবনি। মসিবুদি এক্সটর্নেল এফেয়রস অমনা থোকহনবনি হায়বা অদুম খঙই। মীগী লীলা থুগায়রগা মাগী পার্টিদা য়াওহন্নবা থাকপা লাংগী ৱানি। মসিদগসি থেম্নবা হোৎনবদা অরোইবীনি। স্ক্রিপ্টতা লৈরম্বা রোল অদু হেক্তা ফগৎহন্দবা য়াদবা। প্লেরাইটনা ইরকপদো ফনা য়াম্না ফরবসু আর্টিষ্টশিংগী য়েংলগা খজিক-খজিক হাপতোক হাপচিন, ককথোক ককশিন হেক তৌদবদা রোল অমনা খংচাউ হেক চাউখিবদগী হৌরেল পার্টি মনুংদা ইশৌ লাংবা হৌনরকপা। স্ক্রিপ্টকী ৱা থোইনা লুনা খন্দবা মশা-মশাগী রোল ফজরগা লোইরে খনবগসু য়াওদবা নত্তে। লীলা হায়সিমক্তবু ইবীরকপা মতমদা ফাগিগী শরুক মরাং কায়না য়াওরক্তবসু লৈ। ত্রেজেদিগী শরুক খরা ৱাৎলকপসু অদুম য়াওই। হায়রিবশিং অদু মেনখৎপা হৈবা তাবা। ফাগি য়াওদ্রে, ফাগি হাপচিনদৌরিনি। ত্রেজেদি ৱাৎলে, রোমান্স ৱাৎলে হাপচিনবা তাবা। ময়ামদুগী নীংবা থুংনবা হোৎনবদা। মদুদা প্লেরাইটনা ৱারৌবসু লৈরিবনি।

পূন্নমকশিং অসি অমসু অমসু কাইদনবা হোৎনবদা ওন্থোক্লা কোক শাখ্রবা শিনফম অমনি শুমাং লীলা হায়বসি। মসি লোইনমক্তা থেংনরমদবা য়াই। থেংনরবসু মসি য়ৌনদি হায়দোক্তনা নুংঙাইবা ফজবা ৱারী ঙাক্তদা পুথোক্লম্বসু য়াই। অদুবু মসি পার্টি শেন্নরিবশিংগী মফমদদি শুংশোয় শোয়দনা থেংনরিবা ঙাক্তনি। লীলাগী স্ক্রিপ্ট ফজবা অমা লৈরবা, লৈরিবা আর্টিষ্টশিং অদুগা চান্নবা খরা অমুক ৱাৎলবা, অদু ওইবা তারবদি লীলাগী মকোক মরূ ওইরিবশিংনা অমুক চৎমিন্নরিবা আর্টিষ্ট অদু লৌথোক্লগা চুনগদবা আর্টিষ্ট অমা অমুক থিবসু য়াওরিবনি। মরাল ইরৈ লৈজদবা আর্টিষ্ট অদুসু অনৌবা ফজবা স্ক্রিপ্ট অদুনা মরম ওইরগা তোকহনবসু লৈ। মসিসু ইশামক্কী পার্টিদা থেংনখ্রবা ঙাক্তনি। মসি লোইনা হায়দোক্লদি চৈ চানরোইদ্রো অদুনা খরা খরদি অদুম লোৎনবনি। অদুবু পাবীরিবা পূন্নমক্লদি খঙবীরল্লগনি, ঐগী সেরিজ অসিদদি হায়বা য়াবা মখৈদি অয়াম্বা হায়জরবনি।

পূন্নমকশিং অসি ঙাইহাক্তং থমজরগা লীলাগী ট্রান্সফর সিজন লাকপদা অনৌবা আর্টিষ্ট শেমগৎনবগী প্লান অসি মতম কুইনগী মমাঙদগী হোৎনদুনা লাক্নে। মসিদা কমাইনা পার্টি শেমগৎপগী লাল্লোং চথবগে হায়বদুমসু হায়রপ্তুং পঞ্জগে। লীলাগী নুপী শাবী ময়াম্না পাম্নবা অমা অনী হায়জরগে, মমিং মথা পঞ্জররোই। অদুবু ৱারেংসি পাবীবা মতমদদি মশা মশানা লোইনদি খঙজরমগনি। সিজন হেক হৌবগী অহানবা অহিংদা ময়ূমদা চৎলগা ময়ূমদগী পুবগদি পুবিখিনু হায়না কন্না খাম্বগসু য়াওরিবনি। ময়ূমসু য়ানবা মশানসু য়ানবা কদর-ফদর খঙদে, মখল কয়াগী থাজবা পীবদগী হেন্দোক্তুনা মানা য়ূমদা লৈত্রবসু য়ূমগী অকুপ অতা শীজিন্নবা হায়দুনা শেনফম চাওরাকপসু পীশিল্লগা নমদুনা পুরক্লগা থম্ফম লৈতদনা হোটেলদা রুম ৱায়রগা থম্বা য়াওরিবনি। হোটেলদগী মপান থোকহনবা নত্তে। মাগী চান-থক্লবা লোইনা পীশিল্লিনি। মথন্তসু থমদে। ৱাখল পীকথরক্লদি অমুক লোন্না চেনখিনি হায়দুনা পালি নাইনা দ্যুটি তানবদৌনা মাবু শংবা ওইনা মী থমদৌরিনি। মসি অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্লমদাইদা মমাঙঙৈ এম এল এ ফাবা হায়না অমা কন্না তৌরম্বদো অদুগা চপ মান্নে। কাদুদা নুপা শাবা অনৌবা য়াওহনগদবা ওইরবসু থমদৌরিবনি। মথন্তা থম্বা নুংঙাইত্রগনা ঐখোয়গী মরক্তগী অমা য়াওহল্লগা শংলিবনি। ওন্থোকপা লাল্লোং ঙাক্তনি তৌরিবসি।

সিজন মতম হেক লোইবগা মপান থোরক্কদৌরিবনি। মরকসিদা আর্টিষ্ট মাঙখ্রে হায়দুনা মানা হান্না য়াওরম্বা পার্টিগী মী অমদি অতৈ মাবু তান্নবা ময়ামদুনা কোইথি থিদৌরিবনি। মদু থেংনহন্দনবনি হোটেলগী রুম ৱাইরগা থল্লিবদু। মখোয়গা পাউ ফাওনহন্দনবা কন্না হোৎনৈ। মী অমফাওবা খঙহনবা নত্তে। পার্টি মনুংগী মী ওইরবসু হায়দোক্তে। ঐখোয় খঙবা য়াবা অনী অহুমদগী হেন্না কনামত্তা খঙহনবা নত্তে। অদুগা মপান্দনা কৈমতা তৌদবা শাদুনা লৈগদৌরিবনি। নুংঙাইখ্রবা থবক অমনিসু হায়বা য়াই। অদুনা লীলা অমা পানখৎনবা হোৎনবদা চঙলিবা শেল, মতম অমদি ৱাখল-পাঙ্গল ময়াম অসি ওদিএন্সনদি উবা নত্তে। পার্টিগী মনুংদা লৈরিবা খরখক্তনা উবীবনি। হয়েং মদুনা লীলা ওইনা শান্নরকান্দুদতা ফজে, নুংঙাই হায়না থাগৎপীবনি। ●

মীতৈনা এস টি লিষ্টতা - লৈঙাক্লা করি অমুক ঙাইরিবনো

পূন্সি ঈচেলদা - ৬১

ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার

মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ তৌরকখবসি চহী ৩২ হেল্লক্লে। মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা লৈবা সেদ্যুল্ড ট্রাইব লিষ্টতা চলহনবীয়ু হায়না হৌরকখিবসি এক্স-চীফ মিনিষ্টর রিশাং কৈশিংগী লৈঙাক্কী মতমদগীনি। মতমদুগী মণিপুর লৈঙাক্লা থাখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মীতৈ/মৈতৈ ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ট্রাইব লিষ্টতা চলহনবা য়াব্রা য়েংবীয়ু হায়না সজেসন তৌবীখি অদুবু রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা য়ারকখিদে (রিজেক্ট) হায়বগী ৱাফম নেসনল লেভেলদা লৈবা পাউচে অমদা থমখ্রবনি। রিপোর্ট অদুবু রিজেক্ট তৌদুনা মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবা য়ারক্তবসি মণিপুর লৈঙাক্লা থাখিবা রিপোর্ট অদুদা এস টি লিষ্টতা চনবগী মরম কয়া অমা (ক্রাইটেরিয়া) সুনা পীখিদবগী রিজেক্ট তৌরকপা ওইরমগনি হায়না খন্নরি। মতমদুদা ঙসি মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবগী খোঙহৌ অসিদা শৌগৎলিবা অসিগুম শৌগৎলমদে, মরু ওইনা তুংদা করি ওইরক্কনি হায়না শান্না উবা ঙমখিদবা অমদি মসিনা মশাবু অৱাংবা থাক্কী কাঙলূপ্তা লৈ হায়না খঙ্জবা লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিং, শেঞ্জাও পায়বা অমদি ইনাক কৈরাক খুনবশিং। অসুম্না এস টি লিষ্টতা চলহনবদা য়ানীংদবগী ময়েক শেংবা খুদম অমা হায়রগদি ২০০১দা মণিপুর লৈঙাক্লা মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ট্রাইবতা চনবগী মথৌ তাদে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা পাউখুম ওইনা থাখিবা অসিনি। কুমজা ২০০১গী ফীভমসিদি রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা রিজেক্ট তৌরকপা নত্তে, ঐখোয়গী লৈঙাক্লা য়াওনীংদে হায়না রিপোর্ট পীখিবনি, য়াম্না ৱাংবা থাক্তা লৈবা কাঙলূপনি হায়না লৌজবা হায়বা তারে। অদুগুম্বা ৱাখল্লোন অদুননি ঙসি ঐখোয়না অৱাৎপা অমদি অৱাবা, অশি-অনা কয়া নংলিবা।

সিভিল ওর্গনাইজেসন কয়ানা এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগী তকশিন্দুনা লাকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা থিজিন্দুনা য়ারবা (endorsed) সোসিও-ইকনমিক কাষ্ট সেন্সস অমদি ইথনোগ্রাফিক রিপোর্টসু চীফ মিনিষ্টরগী টেবলদা তাদুনা লৈরবনি। অদুবু সী এম বিরেনগী লৈঙাক্লা খঙদবদগীরা নৎত্রগা অতোপ্পা কাঙলূপ্না নুংঙাইখিরোই হায়বগীরা নৎত্রগা করম্বা অকিবা লৈবগীনো খঙদে ঙসি ফাওবগীদি থাবিদ্রি রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওফ ইন্দিয়াদা। অসুম্না সুম য়ৈথোক্তুনা থাবীদনা থমখিবা থোক্লবদি মীতৈ/মৈতৈনা এস টিদা চলহৌদবগী অচৌবা অমাঙবা কয়া লাক্কনি হায়বসি সী এমনা অমদি পাল্লিবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা খঙবীফম থোকই।

এস টি লিষ্টতা চলহৌদবগী লাক্কদবা অমাঙবা কয়া অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইগদৌরিবসি পোলিটিকেল পৱার মাঙখিগদৌবা অসিনি। কুমজা ২০২৬তগী ইন্দিয়া পূম্বদা দিলিমিটেসন কম্মিসন এক্ট লাকপা মতমদা মীতৈ/মৈতৈ এম এল এ মশীংসি ঐখোয়গী মীশিংদা য়েংলগা ২৬/২৭ অদুমাইনা লাক্কনি। ঙসি এম এল এ ৪০ য়াওনা লৈরক্লিঙৈসি ফাওবদা এম এল এ ১০ খক লৈবা কুকি জৌ কাঙলূপ্না য়াম্না উশিক্তনা শীংনবা ঙম্লবদি মীতৈ/মৈতৈগী এম এল এ মশীংসি ২৬/২৭তা হন্থরক্লদি কমদৌবা। অতোপ্পা অচৌবা অকায়বা অমনা ঙসি ঙসি ভেল্লিদনা (৮%) লৈবা এস টি লিষ্টতা চন্দ্রিবা মীতৈ/মৈতৈনা চীংগী মফম (৯০%) অমত্তদা লম লৈদুনা লৈবা, খুন্দাবা য়াদবা অদুগা চীংমীগী মীওইশিংনদি ভেল্লিদা লম লৈবা য়াবা, খুন্দাবা য়াবা, মনীং তম্না লৈবা য়াবগী ফীভমসি অদুম মখা তানা চথখিগনি। অসিগুম্বা আইনসিবু করম্বা মফমদা লৈরিবগে মালেমসিদা, লৈরম্লোই। মসিনা মরম ওইদুনা ভেল্লিসি মীনা কৃক-কৃক ইন্নবা অসিনা মীতৈ/মৈতৈদি লৈফম লৈরক্তবা শোয়দ্রবনি। এস টিগী খুদোংচাবা কয়াসু ফংদবগী শেল-থুমগী ফীভমসু ফত্তবনা। মসিগী মথক্তা এস টি ওইদুনা থবক্লচিংবা তৌবগী খুদোংচাবা কয়া লৈতবনা থবক ফংবগী চাং হন্থরক্কনি, শেল থোকপা ৱাৎলক্কনি, অচৌ অচৌবা ফমশিংদি এস টিদা লৈবা কাঙলূপ্না লৌখিগনি অদুগা মখা তাবা ফমশিংনা মীতৈ/মৈতৈনা তৌবা তাবা। মসিমক্লি ঙসি ঙসি থোক্লিবা।

মীশিং য়াম্বা, হৈথোই-শিংথোইবা, মশাগী মরোল ময়েক লৈজবা চহী লিশীং মঙাগী পুৱারী লৈজবা ওইরগসু মীতৈ/মৈতৈনা মরমদম অসিদা এস টিগী খুদোংচাবা ফংখ্রবা, মাইনোরিটিদি ওইবা অচৌ অচৌবা থবক পায়খ্রবা কাঙলূপশিংগী মখাদা থবক তৌরিবা অসিনি, পোলিটিকেল পৱার ঐখোয়না পায়জরবসু। হায়রিবা পোলিটিকেল পৱার অসিসু মাঙখিগদবা কুইদ্রবনি দিলিমিটেসন কম্মিসন এক্ট হেক চৎনবা হৌরকপদা। অদুগা অচৌবা মাঙজগদবা অমনা ঐখোয়গী ইরোল, ইয়েক, নাৎ, লাইনীং লাইশোল, হৌন-লোনচৎ লোইনা মাঙখ্রগনি ঐখোয়না মীখা থানা অসুম হিংগদবনা। ঙসি ঙসিসু ঐখোয়গী ইনাৎতা মরী লৈনবা থবকশিং অমদি লাইনীং লাইশোনগী ওইবা শেংলবা মফমশিংদা কুকি জৌ কাঙলূপ্না মখোয়গী য়ৈখাই থুগায়বা অমদি মখোয়গী ক্রোস য়ুংশিনবনচিংবা কয়া শীংনরক্লিবা অমদি ইকায়বা পীরক্লিবা অসিনি। ঙসি ফাওবা মখোয়গী মায়োক্তা করিসু তৌবা ঙমদ্রিবসিদা তুংদা ঐখোয়গী এম এল এ মশীং হন্থরক্তুনা পোলিটিকেল পৱার পায়রক্তুবদি করি তৌবা ঙমগদৌরিবা, অদুম মৃৎখিবা তাবনি ঐখোয়গী নাৎ অমদি লাইনীং লাইশোল। পূন্নমক অসি খঙবীদুনা ঙসি লৈঙাক পায়বীরিবা সী এম অমদি লুচিংবশিংনা মীতৈ/মৈতৈশিংগী তুংগীদমক খম্থবীরগা থাফম থোকপা চে-চাং য়াম্না অথুবা মতমদা থাবীখিবনা পূন্নমক্কী অফবা ওইগনি। ত্রিপুরা করি ওইরে ঙসি। মসিদগী ঐখোয়গী লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবা পাড়া অমত্তা তমশিন্দ্রিবরা। এস টি লিষ্টতা চলহৌদ্রবদি ইশাগী হৌরকফম লমদমসিদা ঐখোয়সু মাইনোরিটি ওইরক্তুনা ত্রিপুরাদা ত্রিপুরি তোন্না লৈবগুম ঐখোয়সু শোয়দনা লৈরকপা শোয়দ্রবনি। মসিবু লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা উবা ঙমদ্রিব্রা, নৎত্রগা কাঙলূপ খরনা অয়েৎপা পীরক্কনি কিবদগী তৌরিব্রা?

নাকল অমরোমদনা লাউরি লৈঙাকসু য়াওনা অঙাং য়াম্না পোকসি ঐখোয় মাইনোরিটি ওইরক্কদৌরে হায়দুনা। হংনীংলিবা ৱাফমদি শেল-থুমগী ফীভম ফগৎতনা, লৈফম লৈতনা মতৌ করম্না মীয়াম্না অঙাং য়াম্না পোক্লিংগদৌরিবা। মসি লৈঙাক্লা খঙবীগদবনি। মীয়ামদা অঙাং মশীং হেন্না পোকহনসি হায়রবদি শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবা মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা লৈফম মরাং কায়না লৈগদবনি। এস টি লিষ্টতা চন্দুনা শেল-থুমগী ফীভমসু ফগৎহন্দা অদুগা তম্পাক্কী চাদা ৮ লমদগী হেন্দোক্লা চীংগী লমদা ইশাগী লম লৈজদুনা লৈবসু য়াদা কনানা অঙাং মশীং হেন্না পোক্লিংগদৌরিবা। মসি লৈঙাক্লা মুন্না খন্থবীগদবনি। অঙাং য়াম্না পোকউ হায়না পংলাউদা লাউবনদি করিসু কান্নরোই।

মীতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবগী মরম্মনি কাইনা হায়জিন্দুনা ঙসি থোক্লিবা কুকি জৌ অমদি মীতৈ/মৈতৈগী লান অসিদা মাঙবা য়াবা লন-থুম, য়ূম-কৈ মাঙহনখ্রে, হাৎনবা য়াবা হাৎনরে, মরাল শীজিন্নবা য়াবা শীজিন্নরে কাঙলূপ অনীমক্তা, অমগা অমগা চঙনবা য়াদ্রে, মীতৈ/মৈতৈসু তম্পাক্কী লমদগী মপাল থোক্লা মখাদা চৎপা ঙমদ্রে অদুগা কুকি জৌ কাঙলূপসু তমদা কুমথরকপা ঙমদ্রে। অসি য়ৌনা অকায়বা, অমাঙবা অমদি হাৎনবা য়ৌরা ফাওবদা ঙসি পাল্লিবা মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক অসিনা মথৌনা ফনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনবীয়ু হায়না সেন্ট্রেল লৈঙাক্তা রেকমেন্দেসন লেট্টর থাবা করিগী ঙমদ্রিবনো, করি অমুক ঙাইরিবনো। হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিদগী হেন্না ফত্তবা করম্বা ঈরাং থোক্লকখিগদগে। ঙসি চহী ৩২ হেল্লক্লে মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা খোঙজং চঙশিল্লকপা। তশেংবগীদি, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফেয়রসনা তরুল্লক শুখ্রে হায় মণিপুর লৈঙাক্তা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা রেকমেন্দেসন লেট্টর অমা থারক্লবা খঙহল্লকখিবা। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্লা থাবীদনা লাক্লি ঙসি ফাওবা। হৌখিবা অরানবা খুদিংমক খঙলবসি ফাওবদা ঐখোয়সি অর্জুনগী মচা-মশুনি, অৱাংবা থাক্কী কাঙলূপনি কায়না মূক্তুনা লৈথোক্লগা তুংগী চারোল শুরোলগীনি হায়না য়ূম্ফম অমা ফাওবা থম্লল্লরোইসি হায়রিবা ঙসিগী মণিপুর লৈঙাক্লা? নৎত্রগা, এস টিগী মমিংদা অসুক ফত্তনা হাৎন-শুনবা থা তরা হেন্না লৈরক্লবা মতমসি ফাওবদা অতোপ্পা চীংমী কাঙলূপ খরনা নুংঙাইখিরোই হায়বগী অকিবা লৈরিব্রা হৌজিকসু? থৌনা খরা ফবিরো ঙসি পায়রিবা মণিপুর লৈঙাক তুংগী চারোল-শুরোলগী খন্থবীদুনা। ●

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা’

(নিংথৌরোল লম্বুবা)- (১২২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লোইবী ঐগী চীংশাংলেনসিদদি। কাঙম য়ৌঙমলোই। হাওবা ইপুঙয়াই য়ৌনা লাকঙমলোই হায়না। হুয়েল লালকরেম থওইদবা ৱাঙাংদা। লাইরেল মৈদিংঙুনা। কনথি থোকনা। থীনা চৈ থাংখিয়ে। মদাইরেম পোইরৈ খুলচা হৌ। তয়ুম নাইচা হুমনা। অথৌ লিচা হেপপা থায়াঙ খুৎহাই কনবা ঙমখৈ ঙাকপা। পুমনমককা খোঙলোইনা। চুঙলেল থাকুপ হৌ। খেরেল তা মাঙয়িননা। তাখোক তুংথংনা। কৌব্রু চীঙদা কানা। হুয়েল লালদাখিয়ে। কৌব্রু লমদম অমদি। নোংবাল কুরাওথোক ও। মিংকৌবদি করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) - (꯱꯲꯲)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯑꯩꯒꯤ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡꯂꯦꯟꯁꯤꯗꯗꯤ꯫ ꯀꯥꯡꯃ ꯌꯧꯉꯃꯂꯣꯏ꯫ ꯍꯥꯎꯕ ꯏꯄꯨꯡꯉꯥꯏ ꯌꯧꯅꯥ ꯂꯥꯛꯉꯃꯂꯣꯏ ꯍꯥꯌꯅꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯀꯔꯦꯝ ꯊꯑꯣꯏꯗꯕ ꯋꯥꯉꯥꯡꯗꯥ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯅꯥ꯫ ꯀꯟꯊꯤ ꯊꯣꯛꯅꯥ꯫ ꯊꯤꯅꯥ ꯆꯩ ꯊꯥꯡꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯃꯗꯥꯏꯔꯦꯝ ꯄꯣꯏꯔꯩ ꯈꯨꯜꯆꯥ ꯍꯧ꯫ ꯇꯌꯨꯝ ꯅꯥꯏꯆꯥ ꯍꯨꯝꯅꯥ꯫ ꯑꯊꯧ ꯂꯤꯆꯥ ꯍꯦꯞꯄꯥ ꯊꯥꯌꯥꯡ ꯈꯨꯠꯍꯥꯏ ꯀꯅꯕ ꯉꯝꯈꯩ ꯉꯥꯛꯄꯥ꯫ ꯄꯨꯃꯅꯃꯛꯀꯥ ꯈꯣꯡꯂꯣꯏꯅꯥ꯫ ꯆꯨꯡꯂꯦꯜ ꯊꯥꯀꯨꯞ ꯍꯧ꯫ ꯈꯦꯔꯦꯜ ꯇꯥ ꯃꯥꯡꯌꯤꯟꯅꯥ꯫ ꯇꯥꯈꯣꯛ ꯇꯨꯡꯊꯡꯅꯥ꯫ ꯀꯧꯕ꯭ꯔꯨ ꯆꯤꯡꯗꯥ ꯀꯥꯅꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯀꯧꯕ꯭ꯔꯨ ꯂꯃꯗꯝ ꯑꯃꯗꯤ꯫ ꯅꯣꯡꯕꯥꯜ ꯀꯨꯔꯥꯎꯊꯣꯛ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯗꯤ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।